# লমদম অসিগী নাৎ-কলচর য়োকখৎলিবশিংসিসু লৈবাক নিংবা কাঙবুনি






## সুর মৈতৈ

পোক্লবদি শিবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎতা মপু মানা তম্বীরমখ্রবা খোঙচৎনি। হিংলিঙৈ ঐখোয় কৈদৌফম থোকপগে? ঙসি ঐখোয়না মী ওইনা পোক্লগা হিংলিবা মহিং অসি মীওইবা অমা ওইবগী মহিং লা হায়না খন্নবা য়াই। মতম অমগী মরৈবাক নিংবা বির টিকেন্দ্রজিৎ (কোইরেংস্না) গী পুন্সি খোঙচৎ অদু নৈনরুরবদি...

নিংথৌ পাল্লিঙৈ তাঙ্ককশিংগী মনুংদা মরৈবাক নিংবা কোইরেংস্নানা সেনাপতি ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা ইরমদম অসিগীদমক কখোক্লস্বা থৌনাবু ঙসিগী মীরোলনা কাউবা ঙমদনা নিংশিংবতা নত্তনা পালন কয়া তৌদুনা লাকপা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনসু মফম কয়াদা ১৩ ওগষ্টপু মরৈবাক নিংবা অসিগীদমক নিংশিং পালন পাঙথোক্লখ্রে।

ঙসি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শংলেন্দদা অথৌবা থঙ্গাল অমদি কোইরেংস্নাগী ফোটোদা হৈ–লৈ কৎলবা মতুং ‘মরৈবাক নিংবা কোইরেংস্না’ হায়না মিংথোনবা লীলা অমসু উৎখি।

ঙসি শান্নখিবা লীলা ‘মরৈবাক নিংবা কোইরেংস্না’ পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মনা নিংথিনা শেম শাদুনা ইথোক্লবা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা ৱারী অসিদা দাইরেক্তর নবৱারেপ্পনা নিংথিনা লমজিং লমতাক্তুনা পুথোকখিবা লীলা অমা হায়বদু ওইরি। লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি ইবোয়াইমা খুমন (থঙ্গাল), এন



জি মঙ্গিয়াইমা (মহরাজ সুরচন্দ্র), লৈশেম্বা ইবোতোম্বী (কুলচন্দ্র), ৱাই নিলচন্দ্র (কোইরেংস্না), এ কে বেঙ্গল (মিষ্টর ক্লিন্টন), এম সোমোরেন্দ্রো (পকাস্না), কে ঐচ বোবী (জিলাস্না), লংথবাল চৌরজিৎ (সুবেদার খেলেন্দ্র), প্রেম শর্ম্মা (গ্রিমৱুদ), ঐচ ঐস হেমন্ত (কোমেদিয়ান), কৈ কুবের (জগোই ওজা), ৱাই ইঙোচা (মেঞ্জর মেক্সৱেল), জি পসন এলাইজ পান্দুম (মিসেস গ্রিমৱুদ), ওইনাম আরুন (লুখ্রাবী অমা), ঙানবা, তোম্পোক, দোলমনি অমদি জগদিস (খুবাক ঈশৈ শৈশকপী), বি হরিস অমদি দল্লিয়ু খাগিঙম্বা (মৈতৈ পুঙ), রাজেস, ব্রোজেন, প্রেমজিৎ অমদি রোমিও (নিংথৌ মনাই) নি। এন ইবোমচা (ম্যুজিক দিরেক্তর, কে সনাতোম্বা (নুপী খোঞ্জেল), ঐস ইবোমচা (নুপা খোঞ্জেল), রোবার্ট (ভাইওলিন অমদি পেনা), বোবো (কিবোর্দ), এন রোসন (পেটড্রম), রোমাজিৎ (বান্সুরি) অমদি বিনোই (ধোলোক) না লীলা অসিগী মরুওইবা থৌগাই কয়া লৌরি।

মরৈবাক নিংবা হায়বসি খুৎতা খুৎলাই পায়দুনা মরমদমগীদমক য়েক্লবশিংবু মায়োক্লবখক্লা মরৈবাক নিংবা নত্তে। লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু চাউখৎনবা হোৎনরিবা মীওই কয়া অসিসু মরৈবাক নিংবা মীওইনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম ঙসিসু ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শংলেন্দদা মরমদমগীদমক থৱাইনা পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবা হায়না মিংথোল্লিবা কোইরেংস্নাগী নুমিৎপু পাল্লন তৌবগা লোয়ননা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা শান্নখিবা ‘মরৈবাক নিংবা কোইরেংস্না’ না ঙসিগী মীরোলবু নৌহৌননা থৌনা হাপ্লি।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম সুরচন্দ্রনা শ্রীযুক্ত ওইরিঙৈ মতমদা বৃটিস সরকারনা মণিপুরবু মখোয়গী খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনরকপদা লমদম অসিগী অথৌবা কয়াগী পুন্সি পীখম্নখিবা মতমদুগী ৱারীদা যুম্ফম ওইদুনা শান্নখিবা লীলা ‘মরৈবাক নিংবা কোইরেংস্না’ নি। মচিন–মনাওশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহল ওইরিবা সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পাল্লিঙৈ মতমদা মনাও পকাস্নানা লৈবাক্কী খন্দনা ঙাইহাক্কী নুংঙাইবদা মনিং তম্নবা হোৎনরকপদা মচিন–মনাও ওইরিবা জিলাস্না অমদি কোইরেংনা লৈবাক্কী খল্লগা খোঙদারকপা মতমদা মচিন–মনাওগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ বৃটিস সরকারনা খুদোংচাবা লৌদুনা ইরমদম মণিপুরবু মখোয়গী খুবাম্নুংদা চন্নবা হোৎনরকখি। লৈবাক্কী নিংথৌ অমা ওইরগা লৈবাক্কী খন্দবা তারবদি নিংথৌ ওইবগী মথৌ ওইদে হায়দুনা ময়াম্বগী মথক্তা জিলাস্না, ইপু থঙ্গাল অমদি কোইরেংস্নানা অমত্তা ওইদুনা লান্দাখি। অচান–মিরাই নাইবা নিংথৌ সুরচন্দ্র মিচেন ওইবদা নত্তনা বৃটিস সরকারদা মতেং পাঙবিনবা ৱারোল থাখিবনা বৃটিশ সরকারনা মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুরবু মখোয়গী খুবাম্নুংদা থম্নবা হোৎরকপা থৌশিল কয়াদা কংলাদা অঙৌবা কোক্লেন মঙা কেনখি। থঙ্গাল অমদি কোইরেংস্নানা থৌনা ফনা মরমদমগীদমক লেপ্পিঙৈ মণিপুর কনাগীসু মখা পোনখিদে হায়বা লীলা অসিনসু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। কোইরেংস্না অমদি থঙ্গাল অনীনা নোক্লা নোক্লা মরমদমগীদমক থৱাই থাবা ঙস্বগুম ঙসিগী মীরোলদা অমদি তুংগী মীরোলদা য়াম্না তঙাইফদবা লৈরি হায়বদু লীলা অসিগী অরোইবা তাঙ্কক্লা পাউজেল্লি।

লীলা অসিগী মনুংদা পীরিবা নুংগী ওইবা ৱারোল কয়াদি মীগী চেং চারুরবনি হায়দুনা অচুম্ববু নমহত্তুনা থম্বদা খাঙদুনা লৈবা চুম্ব্রা? লৈবাক অমা পানবগী নিংথৌ লৈবনি, নিংথৌ লৈবগীসু লৈবাক অমা পানবা ঙম্লিবনি। অদুবু লৈবাক মীয়ামগীনি হায়না লৈরিবা নিংথৌনা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈরক্লবদি মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না নিংথৌ শিনে দাকপা হায়বদি মশানা তাবনি। মতমদুগী চৎনরোল–চৎনবী অমদি অঙম্বনা শেৎ–শেত্তুনা চাবগী কাঙলোন অদু ঙসিসু অদুমক মীয়াম্না মায়োক্লরি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

লৈবাক অনী খৎনবদা অশোনবা লৈবাক্লা অতোপ্পা অঙম্বা লৈবাক অমদা মতেং নীরকপদা হায়রিবা অঙম্বা লৈবাক অদুনা মতেং পাঙবদি চৎনরোলনি। মদু নত্তবীদা অঙম্বশিং অদুনা ইমুং মনুং খৎনবদা অওৎ–অপা শাদুনা অমদি ওইজবা থিদুনা খুৎ থিং জিনবদি লানগনি। মদুদা য়ারুবা মীশক অদুদি মী ওইরবসু খ্বাইদগী পঙবা থৱাই পানবা জিব অমনি হায়না লৌবা য়াই। থবক অমা তৌবা মতমদা থিন্থবা হায়বসি মায় পাক্তনবা মরম অমা ওইগনি হায়বনচিংবা মীৎ–নাকোং ওইবা য়াবা তাঙলবা লৌশিং কয়া ঙসিগী লীলা অসিনা নুংগী ৱারোল ওইনা ফোঙদোক্লি।


ঙসিগী লীলা অদুদা য়াম্না নুংঙাইবা অমদি অয়েংবশিংবু অৱাবা কয়া কাউথোকহন্দুনা নোকহনবা ঙমখিবা মীশক হায়বা তারগনি জগোই ওজাগী শক্তম লাংখিবা কৈ কুবের অমদি জগোই ওজা অসিগী মচানুপা শাখিবা এস ঐচ হেমন্ত অনীগী পার্ফোমেন্সনা ওইখি।






















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*